# ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী ফবা মী তোংদবা গার্জিয়ান দ্রোন য়ু এস তগী লৈরগনি




***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

চিনানা ইন্দিয়ান ওসিনদা ন্যুক্লিয়ার পুবা ঙম্বা সবমেরিনশিং দিপ্লোই তৌরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফরবা মেরিটাইমগী লমদা খঙদোকপা ঙম্বা গার্জিয়ান দ্রোন য়ু এস তগী লৈননবা থৌরাং তৌরি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস কী মরক্তা চাওনা ঙাক শেনগী লমদা মপাং ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা লৈবাক অনী অমত্তা ওইবা য়ান্নবা ফিভম অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। য়ু এস কী দিফেন্স সেক্রেটরী জেমস মাটিস ঙসি অথেংবদা ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে। লুচিংবা অদু লৈবাক অসিদা লাক্লম্বগা লোয়ননা দিফেন্সকী লমদা থবক তৌমিন্ননবা ৱারী কয়া শান্নখি।

গার্জিয়ান দ্রোন হায়না খঙনরিবা পাইলোট য়াওদবা অৱাংবা থাক্কী মচাক মথুম য়াওরবা প্লেন অদু য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ২ গী মমল ওইরি। ইন্দিয়ানা অদুগুম্বা দ্রোন ২২ লৈননবা পান্দম থল্লি। লোয়ননা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ান নেভিদা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান ওসিনদা চিনানা সবমেরিন চঙশিল্লকপা অমদি অদুগুম্বা ফিভমশিং অদু য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈবনা দ্রোন অদু লৌশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মী য়াওদবা দ্রোন এয়ারক্রাফ অদু মপুঙ ফানা খুৎলাই কয়া পুবা ঙম্বা অমনি। লোয়ননা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা থবক তৌবা ঙম্মী হায়রি।

অদুগুম্বা দ্রোন অদুনা অতিয়াদগী লৈমাইদা কাপ্পা য়াই। ইন্দিয়ান এয়ারফোর্স অমসুং লান্মীনা য়ু এস না শাবা অপাচি হেপলিকোপতর কয়া ইং ২০১৫ গী সেপ্টেম্বর থাদা লৈখিবা লৈখ্রে।

আগষ্ট থাদা ইন্দিয়ান আর্মিদা অপাচি হেপলিকোপতরসি পীরগনি হায়না লৈবাক অসিনা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। মমাঙগী দিসেম্বর থাদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা ইন্দিয়াগা লৈনবা ঙাকশেন অমসুং সেক্যুরিটি কোর্পোরেসনগী লমদা ফগৎনবা থৌশিল পায়খৎপা হৌখিবনি। লৈবাক অনীনা হৌজিক দিফেন্সকী লমদা চাওনা মতেঙ পীনরি।

চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস তা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা লুচিংবা অদুনা অদুগুম্বা অফবা মখলগী দ্রোন অদু লৌননবা য়ান্না ৱারোলশিং সাইন তৌনখ্রে।

সি গার্জিয়ান দ্রোন অদু লম কয়াদা শীজিন্নবা য়ারবা দ্রোন অমনি। লৈমায়দগী ফুট লীশিং ৫০ ৱাংনা পায়বা ঙম্বগা লোয়ননা পুং ২৭ চুপ্পা মথৌ তৌবা ঙম্মি হায়রি।

# জর্মন মীখল ঃ এঞ্জেলা মার্কেলনা মরিরকশুবা ওইনা ফম পায়নবা থৌরাং তৌরি

***বর্লিন, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

জর্মনগী ফেদরেল ইলেক্সন্দা লৈবাক অদুগী মীওই মিলিয়ন কয়া ভোট থাদনখ্রে। চাঞ্চেলর এঞ্জেলা মার্কেলনা মরিরকশুবা ওইনা ফম পায়ননবা হোৎনরি। লুচিংবী অদুনা জর্মন পার্লিয়ামেন্টকী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদু অহুম্লক পায়খ্রে।



মরিরকশুবা ওইনা মহাক্কী ফম অদু কন্ননবা হোৎনরি। হন্দক্কী মীখল অসিনা রাইট ৱিংনা এস পি দি গা অকনবা লম্বা তৌনরি। ফেদরেল ইলেক্সনগী চহী ৪ গী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলদা বর্লিনগী পোলিং ষ্টেসন অমদা লুচিংবা এঞ্জেলা মার্কেল ভোট থাদখি। মহাক্কা মায়োক্নরিবা পার্টিগী লুচিংবা মার্তিন স্কুলজদি নোংচুপ থংবা জর্মনিগী ব্রুসেলেন হায়না খঙনবা ময়ূম লমদমদা ঙসি অয়ূক অঙনবদা ভোট থাদখি।

এস পি দি গী লুচিংবা মার্তিন স্কুলজ য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী লিরবা লুচিংবা অমনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা অরুবা ফিভম অমা ওইরিবদি পার্টি ৬ মীখল থেংনরিবা অসিনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতূংদা জর্মনদা মীখলগা মরী লৈনবা অরুবা তানফম অমা মায়োক্নরে। মমাঙগী লৈঙাক অদুসু চুংশিন্নদুনা শেমখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা মীখল অসিগী মতূংদদি করম্বা পার্টিশিংগা চুংশিন্নদুনা লৈঙাক শেমগদগে হায়বদু তম্বা ঙমদ্রি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংগা য়েংনবদা ঙসিগী মীখল অসিদনা ভোটর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থোক্লক্তুনা ভোট থাদনখি। ফিভম অদু য়েংলগা এঞ্জেলা মার্কেল অমুক হন্না ওফিস পায়রকপা য়াই হায়না থাজনরি। এঞ্জেলা মার্কেলগী ৱাখল্লোন মতূং ইন্না জর্মনদা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদগী থোমজিল্লকপা মাইগ্রেনশিং চঙজফম পীবা য়াবগী ফিভম লৈ।

এস পি দি গী লুচিংবা মার্তিন স্কুলজ য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর অমুক হন্না থৌ পুরম্বা মীওইনি। লুচিংবা অনীগী মরক্তা মোত খেন্নবা কয়া লাকখিবনা মরম ওইরগা হন্দক্কী মীখল অসিদদি তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা চৎনখ্রে।

এ এফ দি গী অতোপ্পা লুচিংবা এলিস ৱাইদেল অমসুং অলেকজেন্দর গাওলেন্দ মখোয়না তোঙান তোঙানবা সিট ফংননবা ঙমজবা থাক্তা হোৎনরি।

মার্তিন স্কুলজনা হৌজিক লৈরিবা মার্তিনগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগা চাওনা মোট খেন্নরকপদগী মীখল অসিদা লম্বা তৌনরকখিবনি হায়রি।

# গোর্খালেন্দ খোঙজং ঃ টোটেল সটদাউন মনুংদা নৌনা হিংশাগী থৌদোক থোকখ্রে, কার অমা মৈ থাখ্রে

***দার্জিলিং, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***



ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দার্জিলিং হিলসগী মনুং চনবা লেবোং লমদমদা নৌনা হিংশাগী থৌদোক থোক্লকপগা লোয়ননা কার অমা মৈ থাদোকখ্রে। দার্জিলিংদগী লেবোং তম্না চৎপা গারী অদু সটদাউনগী খোঙজং শৌগৎপা মীওইশিংনা ঙসি অয়ূক খামদুনা থন্লবা মতূং থুগাইখি। তুংদা খোঙজং চঙশিনবশিংনা গারী অদু মৈ থাদোকখি। থৌদোক অদুদা মীওই অমা অশোক অপন নংখি হায়না দার্জিলিং এস পি অখিলেজ কুমার চটুরবেদিনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমত্তা ফাবা লৈতে। তোঙানবা গোর্খালেন্দ ষ্টেট অমা পীয়ু হায়না তকশিন্দুনা চঙশিল্লকখিবা সটদাউনগী খোঙজং নুমিৎ ১০১ শুবা নুমিৎ ফাওবদা লমদম অদুদা লৈবা ললোন ঈতিক্কী মফমশিং অমদি দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। দুকান কয়া থোঙ হাংনরিবা মফম অদু গোর্খা জনমুকটি মোর্চা (জি জে এম) গী খোঙজং অদুনা কোমথোকপা মফম নত্তে। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা দুকান কয়া থোঙ হাংখিদে। লোয়ননা স্কুল কলেজ অমসুং লৈঙাক্কী ওফিসশিংসু মমাঙ চয়োন্দগী থোঙ হাংখ্রবনি হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্না লমদম অদুদা চত্থরিবা সটদাউনগী খোঙজং অদু হন্দোক্নবা অমদি মীয়ামগী য়েংলগা দুকান অমদি লোইশঙশিং হাংননবা অপিল তৌখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক চীংগী লমদম অদুদা মীওই কয়াদা খোঙজং চঙশিনবা লেপত্রি। জি জে এম গী মতূং ইন্না সেন্তর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না লোয়ননা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শান্নদ্রিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

# জি এন এল এ গী মরু ওইবা লুচিংবা অমা সরেন্দর তৌরকখ্রে

***শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

গারো নেসনেল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ) গী লুচিংবগা খ্বাইদগী নক্নবা মকোক থোংবা লুচিংবা সোহান দি সিয়া ঙসি উলিয়ম নাগর পুলিসতা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে। লুচিংবা অদু সরেন্দর তৌরকখিবা অদুনা লুপ অদুদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়রি।

ঙসি ইষ্ট গারো হিলসগী পুলিস ষ্টেসন্দা মকোক থোংবা লুচিংবা অদুগা লোয়ননা অতোপ্পা কাদর অমা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে। খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবা মীওইশিং অদুদি লালহৌলূপ অদুগী ৬ শুবা বেজদা য়াওখিবা চানচান জি মোমিন (২২) অমসুং চালাং সি মরক (২১) নি হায়না এস পি রিংগ্রাং টি জি মোমিননা ফোঙদোরক্লি।

চালাং হায়রিবা মীওই অদু লালহৌলূপ অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা অমসুং লূপ অদুগী লুচিংবগা খ্বাইদগী নক্নবা মীওইনি হায়রি।

সরেন্দর তৌরকখ্রবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না উমংদা লৈবদা চাওনা খুদোং চাদবা মায়োক্নবা অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা লেপ্তুনা ওপরেসন চত্থরকপা য়েংলগা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখিবনি। মখোয়না লালহৌলূপ অদুদা লৈরিঙৈ মতমদা মখূৎতা শেন অমত্তা লৈখিদে। মীয়ামদগী খাইরকখিবা শেনফম খুদিংমক সোহান কৌবা মখোয়গী লুচিংবা অদুনা পায়শিনখিবনি।

লালহৌলূপ অদুদা য়াওরিবা কাদরশিং মখা তানা য়াওবা পামদ্রে। লোয়ননা লূপ অদুদগী চেনথোকখিনবা হোৎনরিবনি হায়খি।

# বেনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিদা খূৎ থোক্লখ্রে

***বেনারস, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

বেনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিদা ঙরাং নুমিদাং মহৈরোইশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। পুলিসনা খোঙজং চঙশিনবদা য়াওবা মহৈরোই নুপী মচা অমা তমথিনা ফুখ্রে।

খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংনা ভাইস চানসেলর উন্ননবা হোৎনখি। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অদুগী কেম্পস মনুংদা নুপীশিংবু শাফবা ফিভম অমা লৈহন্নবা ৱারী শান্ননবা হোৎনখি।

য়ুনিভর্সিটি অদুগী মনুংদা অহানবা চহীদা তম্লিবী মহৈরোই নুপী মচা অমা মোলেষ্ট তৌখি হায়বগী মতাংদা মহৈরোইশিং খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। শগোলশেল নুমিৎতা মোলেষ্ট তৌবীখ্রে হায়বা নুপী মচা মশামক থোক্লক্তুনা খোঙজং অদু শরুক য়াখি।

য়ুনিভর্সিটি অদুদা থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা খঙহনখ্রে। লোয়ননা মরাল অসিগী কম্মিস্নারদা থৌদোক অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখে হায়রি।

# নৌনা য়ুহার হারকপনা মরম ওইরগা মেক্সিকোদা মী কনবগী থৌশিলদা অপনবা থোকহল্লে

***মেক্সিকো, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

মেক্সিকোদা মেগ্নিচুট ৭.১ য়ৌবা অকনবা য়ুহার হাবনা মরম ওইরগা য়ূম অমসুং স্কুল কয়া নিংখায়খ্রবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক পায়খৎপদা নৌনা য়ুহার হারকপনা মরম ওইরগা অপনবা থোকখ্রে।

মেক্সিকোদা চহী ৩০ গী মতূংদা অকনবা য়ুহার হাখিবা অদুদা লমদম অদুগী ষ্ট্রকচর অমসুং থোং কয়া নিংখাইখি। শগোলশেল নুমিৎতা হাখিবা য়ুহার অদুনা মীওই ৩০৫ কী পুন্সি মাঙহনখি। অতেক অকায় মরক্তা মীওই কয়া লৈরমখিবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মী কনবা কাঙবুনা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ চৈরক্তা নৌনা য়ুহার হারকপনা মরম ওইরগা চাওনা অপনবা থোকহনখ্রে।

মেক্সিকো দিজাচটর এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা সেপ্টেম্বর ৭ তা হাখিবা অকনবা য়ুহার অদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখি। মখা তানা থৌদোক অদুদা চাওনা নিকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। মদুনা মরম ওইরগা মী কন্নবা হোৎনবদা অপনবা থোকহল্লি হায়রি।

লৈবাক অদুদা হৌখিবা চহী ১৯৮৫ তা মেগ্নিচুট ৮.১ য়ৌবা অকনবা য়ুহার হাবদা মীওই লীশিং ১০ রোম শিখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতূং হন্দক হারকখিবা য়ুহার অসিনা খ্বাইদগী মাঙ তাকপা অমা ওইরি।

অতেক অকায় নংলবা মফমশিংদা মী কনবা হায়বসিদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা অকনবা থবক চঙশিল্লি। অতেক অকায় মরক্তগী পিক্লিবা মহৈরোই অমা কনখিবসু লৈখ্রে।

মেক্সিকো য়ুহার তোইনা হাগনবা মফমশিংগী মনুং চল্লি। মতম মতমগী ওইনা লাকপা মহৌশাগী খুদোং থিবশিং থেংননবা অকনবা থবক পায়খৎলবসু মীশি মীনা থোকপগী চাং অহোংবা লৈতে হায়রি।

# রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংনা মোবাইল শিজিন্নবা থিংখ্রে

***ধাকা, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

বাংলাদেশতা চেনশিন্দুনা লৈরিবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংনা মোবাইল ফোন শীজিন্নবা নৎত্রগা টেলিকোম কম্পনিশিংনা অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা মোবাইল ফোন য়োনবা অথিংবা থমখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতূং ইন্না সেক্যুরিটিগী ফিভম য়েংলগা অথিংবা অদু থমখিবনি হায়রি।

ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা বাংলাদেশতা লৈরিবা রোহিংয়া রিফ্যুজি ৪,৩০,০০০ শিংনা মোবাইল ফোন পায়রল্লবদি মতিক চাবা ফাইন তৌগনি হায়না খঙহনখ্রে।

লৈবাক অদুদা চেনশিল্লক্লিবা মীওইশিং অদুদা অথিংবা থম্বগী ৱারেপ অদু থাংজ নুমিৎতা লৌখিবনি হায়না টেলিকোম মিনিষ্টর তারানা হালিমনা ফোঙদোরক্লি।

বাংলাদেশকী সিটিজেন নত্তবা মীওইশিংদা সিম কার্দ পীবা য়ারোই হায়বগী অথিংবদি হান্নদগী হৌনা চৎনদুনা লৈরিবনি হায়রি।

# টেরোরিষ্টশিংনা লংশিল্লকপা হেন্দ গ্রেনেদ অমা মতম চানা লান্মীনা লংথোকখ্রে

***জম্মু, সেপ্টেম্বর ২৪ ঃ***

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী সোপোরে দিষ্ট্রিক্টতা লান্মীগী গারী অমদা টেরোরিষ্টশিংনা লংশিল্লকখিবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থৌনা ফরবা স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার অমনা খুনগৎতুনা লংথোকখ্রে। লোয়ননা চাওনা অশি অনা থোক্লম্বা য়াবদগী ঙাকথোকহৌরে হায়রি।

গারী অদুদা লান্মী ১৫ রোম তোংবনি। টেরোরিষ্টশিংনা লংশিল্লকপা গ্রেনেদ অদু পার্সোনেল অদুনা খুনগৎতুনা লংথোকখি। গ্রেনেদ অদু গারী অদুগী মপান্দা পোখাইখি। মদুনা মরম ওইরগা পুলিস পার্সোনেল ২ অমসুং মীচম ৪ অশোক অপন নংখি। অদুম ওইনমক চাওনা অমাং অতা থোক্লম্বা য়াবদগীদি নাহোকহৌরে হায়রি।

স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার অদুনা গ্রেনেদ অদু মতম চানা লৌখৎতুনা লংথোকপগী তাঞ্জা ফংখিবা অদুনা লান্মী কয়া মীশি মীনা থোকলম্বা য়াবদগী কলহৌখি। ষ্টেট অদুদা লৈবা বেঙ্ক অমগী মমাঙদা মথৌ তৌদুনা লৈবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী গারী অদুদা টেরোরিষ্টশিংনা গ্রেনেদ অদু লংশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মখোয়গী ফিভম থোইনা নুংনাংনিঙাই ওইদে হায়রি।

গ্রেনেদ লংশিল্লম্লবা মতূং পুলিস অমসুং পেরামেলিটরি ফোর্সনা মফম অদুদা অকনবা ওপরেসন চত্থখি। নাকল অমরোমদা ঙসি অয়ূক খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা উরি সেক্টরদা টেরোরিষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

লান্মীনা টেরোরিষ্ট খরা লাইন ওফ কন্ট্রোল নক্না লৈবা কালগাই খুঙ্গংগী উমংগী শরুক্তা চঙশিনখিবা উবগা লোয়ননা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা চাওনা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখি। লোয়ননা টেরোরিষ্ট অমা হাৎপা ঙমখি হায়রি।



***অফ্রিকাগী কেপ তাউনদা খ্বাইদগী চাওবা মতমগা চুম্নরবা আর্ট গেল্লরি হাংদোকখ্রে। গেল্লরি অদুদা লমদম অদুগী মহৌশাদগী শাগৌন্নরক্লবা কলচরগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়া উৎলি।***


**IN THE COURT OF CIVIL JUDGE SR. DIVN.**
**IMPHAL WEST**
**AT LAMPHELPAT, MANIPUR**

ORIGINAL (Money) SUIT NO. 62 of 2017

(Under Order VII Rule 2 of C.P.C., 1908)

Phamdom Ibochouba Singh, aged about 50 years, S/o late Ph. Ibotombi Singh of Tharoijam Mayai Leikai, P.O. Langjing, P.S. Patsoi, Imphal West District, Manipur

- Plaintiffs -

-Vs-

Ningombam Somen Singh

- Defendant -

SUBSTITUTED SERVICE OF SUMMON

To,

Ningombam Somen Singh, aged about 50 years, S/o N. Manao Singh of Sapam Maning Leikai, P.O. Wangjing, P.S. Kakching, Thoubal District, Manipur. At present residing at 96-Chikabanavara railway station, RR Layout near RR Institute, Bangalore, North Taluk, P.S. Chikabanavara, Bangalore Urban District, Karnataka.

Whereas, the above named Plaintiff have filed a Original Money Suit for recovery of Rs. 6,00,000/- (Six lakh) only against you. And you are summoned to appear before the Hon'ble Court on several times but you refused to receive/ acknowledge the summons. Now the Hon'ble Court apprehends that you will refuse/avoid the summons by one way or otherwise, hence, this summon/notice is given to you by way of Substituted Service. You are hereby directed to appear before the Hon'ble court in person or pleader duly instructed by you and able to answer all the materials questions relating to the application on 06-10-2017 at 10.30 a.m. and also to file written objection upon which you intend to rely in support of your defense on that day.

Take notice that in default of your appearance on the day and time before mentioned, the suit will be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of the Court on this 14th day of September, 2017, at Imphal.

**Sd/-**
**(Ojesh Mutum)**
Civil Judge Sr. Divn.
Imphal West
at Lamphelpat, Manipur

***SL-2952(c)/25 & 26***


## GAS TODAY

**Hrangchal Gas Agency**
Booking ............ 10/06/17
Valid .................. 06/06/17
Stk ... 306 (Aadhar link only)
Time ... 7.30 to 10.30 am

**Misao Gas Service**
Booking ............ 15/06/17
Valid .................. 29/05/17
Stk ... 306
Time ... 7.30 to 10.00 am

**M M Gas**
Booking ............ 18/05/17
Valid .................. 10/05/17
Stk ... 612
Time ... 7.00 to 10.00 am

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking ............ 23/04/17
Valid .................. 21/04/17
Sl. No. 1594
Stk ... 450 CTC
Time ... 7.00 to 09.30 am

**RBD Indane**
Booking ............ 27/05/17
Valid .................. 12/05/17
Stk ... 612
Time ... 6.30 to 10.30 am

**সনা–সুদোকু – ৯৪৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 5 | 1 | 3 |
| 8 | 7 | 3 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 7 | 5 | 4 | 9 | 8 | 3 | 6 |
| 4 | 9 | 8 | 3 | 6 | 1 | 2 | 7 | 5 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 4 |
| 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 9 | 8 | 2 | 1 | 5 | 6 | 3 | 4 | 7 |
| 7 | 1 | 6 | 8 | 3 | 4 | 9 | 5 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-945**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | | 2 | 9 | 6 | |
| | | 4 | | | | | | 5 |
| | | 9 | | | | 1 | | |
| | | 6 | | | | | | |
| 4 | | | | 3 | | 6 | 7 | |
| | | 8 | 9 | 5 | | | | |
| 6 | | | 3 | 9 | 7 | | | |
| | | 3 | | 1 | | 4 | | |
| 8 | | | | 2 | | | | 9 |